# অফঘানিষ্টানগী গর্দেজদা লৈবা মোস্ক ১দা এটেক চথরকপদা সিয়াগী মীওই ২৯ শিরে



কাবুল, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী সিয়া মোস্ক অমদা বুকা শেৎপা মীওই অনীনা মশা শিজদুনা এটেক চথরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৯ শিরে অদুগা ৮০ না অশোক-অপন নংখ্রে।

ঙরাং ইরাই নুমীৎতা পাটিয়া প্রোভিন্স কিটকী মনুং চনবা গর্দেজদা লৈবা নোংপোক থংবা সহরগী শরুক অমা ওইরিবা মফম অদুদা লৈরিবা মোস্ক অদুদা লাই খুরুমদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিন্নবা হোৎনরকখি। নোংমৈশিং অদু মরু চপখ্রবা মতুং মশা শিজদুনা বোম পোকখায়হল্লকখি। লৈখিদ্রবা অমসুং শোক্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপী অমসুং অঙাং কয়া য়াওরি হায়না প্রোভিন্স অদুগী ৱাঙাঙলোয় অব্দুল অসরটনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু করম্বা কাঙলুপনা চথরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। টালিবানশিংনা এটেক অদু চথখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখ্রে। অফঘানিষ্টান্দা লৈবা সিয়া মোস্কশিংদা চথরকখিবা এটেক অয়াম্বা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা চথখিবা ওইখিবনি। অদুম ওইনমক হন্দক্কী থৌদোক অসিগী মতাংদদি ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি।

অফঘানিষ্টান্দা য়ু এসকী এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। মদু লমদম অদুদা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা টালিবানশিং লাকশিন্নবা হোৎনবগী থৌশিল অমনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মোস্ক অদুদা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং চঙশিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপ্পনবা হোৎনখি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎপা ঙমখি। থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্না লাকমিন্নবা অতোপ্পা মীওইশিং মফম অদুদা চঙশিল্লক্তুনা মশা শিজবগা লোয়ননা বোম পোকখায়হল্লকখি।

লাই খুরুম্ফম অদুদা ঈ-নাই তাবগী থৌদোকশিং থোকখি। মফম অদুদা লৈখিদ্রবা অমসুং অশোকপা মীওইশিংগী ঈ চাইনা তাবা উরি। মদুতা নত্তনা অকায়বা গ্লাস মচেৎ কয়াসু তাদুনা লৈবা উরি হায়না পাউচেশিংনা ফোঙদোরক্লি। লৈবাক অদুগী মরুওইবা সিটি অদুদা চথরকপা ইকোন কোনবা থৌদোক অমা ওইনা মীওই ২৯ শিহনখ্রে।

# পাকিস্টান্দা মিলিটেন্টশিংনা স্কুল ১২ মৈ থাদোক্লক্লব্বু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি





করাচি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী):

পাকিস্টানগী লালহৌবগী ঈরাংনা লৈতাদ্রবা গিলজিট-বালতিষ্টান্দা লৈবা নুপীমচাশিংগী ওইবা স্কুল ১২ মশক খঙদবা কাঙবু অমনা মৈ থাদোক্লল্লবা মতুং লমদম অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুগী মহৈ তম্ফমশঙশিংদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথবা থিংননবা চপ চাবা থবক পায়খৎকদবনি হায়না মীয়াম্না দিমান্দ তৌরকখ্রে হায়না ওফিসল ওইবা পাউগী লীখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। পাকিস্টানগী চিলাসতগী কিলোমিটর ১৩০ রোম লাপ্পা লৈবা গিলজিটকী মহৈ তম্ফমশঙ অমসুং স্কুলশিং অদুগী মচাক-মথুম কয়া মৈ থাদোক্লল্লে।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দাইমর রোয় অজমলনা ফোঙদোর-কখিবদা, মিলিটেন্টশিংনা স্কুল ১২ দা অতম্লনা টার্গেট তৌরকখ্রে। থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে। মরাল লৈবা মীওইশিং ফাননবা হোৎনরি হায়রি।

দাইমর রিজনগী কম্মিস্নার অব্দুল ৱাহিদ শাহনা ফোঙদোরকখিবদা, স্কুলশিং অদু বোম পোকখায়হন্দুনা থুগায়খিবনি হায়বগী খুদম ফংলে। অদুম ওইনমক স্কুলশিং অদু অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা মৈ থাদোক্লম্বা ওইগনি হায়রি।

অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা শাগৎলিবা স্কুল ফাওবা য়াওনা মৈ থাদোক্লমখি হায়রি। স্কুলশিং মৈ থারমখিবা মতুং লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীওইশিং অদুনা মরাল লৈবা স্কুল মৈ থাদোক্লম্বা মীওইশিং অদু খুদক্তা ফাননবা তকশিনখ্রে হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা স্কুল মৈ থাবগী থৌদোক অদু লূপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। মমাঙদা পাকিস্টানগী অৱাং নোংচুপথংবা শরুক্তা টালিবান মিলিসিয়াশিংনা স্কুলশিংদা এটেক চথরকখিবা কয়াসু লৈখ্রে। কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বরদা পাকিস্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা নুপীমচাশিংগী স্কুল অমদা এটেক চথরকপদা মহৈরোয় নুপীমচা অনী শিখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

## সাইবেরিয়াদা রসিয়াগী এম আই-৮ হেলিকোপ্টর কায়বদা ১৮ শিরে

মেস্কো, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী অৱাং নোংচুপথংবা সাইবেরিয়া লমদমদা এম আই-৮ হেলিকোপ্টর অমা কায়খিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিরে।

রসিয়ন ইমার্জেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবদা, এম আই-৮ হেলিকোপ্টর অদু লোকেল টাইমগী পুং ১০:২০ রোম তাবদা কায়খিবনি। হেলিকোপ্টর কায়খ্রবা মফম অদু ক্রাস্নোজারস্ক টেরিটোরিগী মনুং চনবা ইগরকা লমদমদা থোকখিবনি। হেলিকোপ্টর অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর ১৫ অমসুং ক্রু মেম্বর অহুম থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ওইল ষ্টেসন অমদা থবক তৌবা মীওইশিংনি। হৌজিক ওথোরিটিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউগী মতুংইন্না হেলিকোপ্টর অদুগী ব্লেদ অদুনা অতোপ্পা হেলিকোপ্টর অমদা থেংজিল্লুবদগী হেলিকোপ্টর অদু লৈমায়দা তাশিল্লক্তুনা পোকখায়খি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা হেলিকোপ্টর অদুদি অশোয় অঙাম য়াওদনা লেন্দিং তৌবা ঙমখি হায়রি।

লৈঙাক্কী ওফিসল ভেটলানা পেট্রেনকোনা হায়, ওথোরিটিনা হিরম অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে। মদু থৌশাদবদগী থোকপা ওইগনি হায়রি।

## জিম্বাবৱেগী প্রসিদেন্ট মঙ্গৱানা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হায়জখ্রে

হরারে, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী)ঃ

জিম্বাবৱেগী মীখলদা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইরবা ইমরসন মঙ্গৱানা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লনবা হায়জখ্রে।

লমদম অদুদা তংদু-লৈতাবা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা ফীভম অমা লৈহন্নবগী পান্দম থল্লি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ৬ তা লান্মীনা চথখিবা থৌওংশিংগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমনা থিগৎহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন লুচিংবা নেলসন চামিসানা হায়, মঙ্গৱানা মায় পাকখিবা অদু মীয়াম্বু নমথাক তৌবনি। মতম শাংনা রোবার্ট মুগাবেনা লৈবাক পায়রম্লবা মতুং অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা ইমরসন মঙ্গৱানা মীয়ামদা নমথাক তৌবগী থৌওং চথরে হায়না মরাল শিখি।

নাকল অমরোমদা, প্রসিদেন্ট মঙ্গৱানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবদা, চামিসা জিম্বাবৱেগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওইনি। মহাক মীখলদা মায় পাক্ত্রবসু তুংদা লাক্কদবা থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। জিম্বাবৱে রিপব্লিকনা মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখিবদা নোল্লুকপা উৎলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা হায়, মহাক্কী পান্দমদি পুনশিন্নবা হায়বসিনি। মীখলগী মতমদা তোখায় তোখায় চৎনখিবশিং পুনশিন্নগদবনি। ঙসিদি অনৌবা অহৌবা অমা হায়বদু ওইরে। ঐখোয় খুৎশম্নদুনা তংদু লৈতাবা, অমত্তা ওইবা, নুংশিনবা অমসুং পুন্না জিম্বাবৱেবু শেমগৎপা হায়বসিদা মীৎয়েং থমসি হায়খি।

ওপোজিসন লুচিংবশিংনসু লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইনা তংদু লৈতাবা ফীভম অমদা লৈহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

## দেনমার্কতা মাইখুম উপ্পগীদমক অহানবা ওইনা ফাইন থিহনখ্রে

কোপেন হেগেন, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী)ঃ

দেনমার্কতা মাইখুম উপ্তুনা লাকখিবী নুপী অমা অহানবা ওইনা ফাইন থিহনখ্রে। মীয়াম তিনবা মফমদা মাইখুম উপ্পা থিংবা হায়বা অদু লৈবাক অদুদা য়ুমশকৈশা নুমীৎতগী চপ চানা চৎনবা হৌরকখিবনি।

লৈবাক অদুগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈবা সোপ্পিং সেন্টর অমগী স্কালেটরদা নুপী অদুনা মাইখুম উপ্তুনা লৈরম্বা থেংনখি। মদুদা পুলিসনা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা চহী ২৮ রোম শুরবী নুপী অদু ফাগৎখিবনি। মহাক্কী মাইখুম অদু লৌথোক্লবা খঙহনবদা য়াখিদে। মদুনা মরম ওইরগা নুপী অদুদা ফাইন থিহনখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্লা শেল্লিবা অনৌবা লো অদু মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

লৈঙাক্লা হায়, বুকা নৎত্রগা নিকাব হায়বা চৎনবীগী মখাদা মীওই অমনা মমায় খুমজিনবা ফিজোল শেৎপা অমসুং মশাগী মায়থোং লোৎশিনবা হায়বদু চৈরাক ফংনিংঙাই ওইবা অমনি। লোয়ননা মীওই অদুগী মথক্তা ফাইন থিহনবসু য়াই হায়রি।

অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউ অমগী মতুংইন্না ইরাই নুমীৎতা নুপী অদুদা পুলিসনা মহাক্কী মাইখুম অদু হাংদোক্লবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক নুপী অদুনা শরুক খক্তমক হাংদোকখি হায়রি।

**No. 2/MSU/Policy/Cell/2018/Plg**

**Government of Manipur**
**Secretariat: Planning Department**

**NOTICE FOR MANIPUR STARTUP SCHEME**

This is for the information of all applicants for Manipur Startup Scheme. It is informed that the final selected beneficiary list of Startup Manipur Scheme is available at the notice board of Planning Department, Govt. of Manipur as well as in the official website of Startup Manipur i.e. www.startupmanipur.in. The intimation has also been sent as an email copy to each of the selected applicant.

The selected applicants are invited for the Manipur Startup Conclave 2018 to be held on the 8th August, 2018 at 9.00 a.m. at City Convention Centre, Imphal where the sanction letter of the loan/subsidy/grant will be distributed during the Conclave.

Further, the applicants who are selected in the category of Idea Stage and Entrepreneurship Support Scheme (ESS) would be required to bring the photocopy of Aadhar Card, PAN Card & Bank Account details which are to be submitted to the designated counter.

Sd/- Dr. Th. Munindro Singh
Director/Planning.

HL-B/4777/5&6

**EDUCITY TUTORIALS**

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER

Limited Seats!

**ADMISSION OPEN**

FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018

Timing:
5:00 am to 7:00 pm
4:30 pm to 7:30 pm

Contact: 9612194500 | 8731977228

CLASS - I TO X, CLASS - XI & XII (SCIENCE) (Both CBSE & BOSEM)

- PRINTED STUDY MATERIALS FOR EACH STUDENTS
- PROBABLE SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST SERIES
- COUNCELLING WITH PARENTS & STUDENTS
- WELL EXPERIENCE FACULTY MEMBERS
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Month)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Month)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Month)
CLASS XI & XII Sc. (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)

CLASSES STARTING FROM 12TH & 20TH JUNE, 2018

OUR FACULTIES FOR XI & XII SCIENCE:



FACULTIES FOR CLASS I TO X:
1. Madam Romita Devi (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Miss Premika (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Miss Yaipharembi (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Miss Sonia (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Miss Preety (3 Yrs Experience in Teaching)
6. Miss Melody (3 Yrs Experience in Teaching)
7. Miss Esther (3 Yrs Experience in Teaching)
8. Miss Nonibly (3 Yrs Experience in Teaching)
9. Miss Nirmala (3 Yrs Experience in Teaching)
10. Miss Mrituniay (3 Yrs Experience in Teaching)

1. Sir Subhaschandra (5 Yrs Experience in Teaching)
2. Sir Wenlilam (5 Yrs Experience in Teaching)
3. Sir Apol (5 Yrs Experience in Teaching)
4. Sir Chetan (5 Yrs Experience in Teaching)
5. Sir Bonjo (5 Yrs Experience in Teaching)

HL-B/4742/16/7-14/8

**STUDY MBBS/MD IN ABROAD**

- BANGLADESH
- KAZAKHSTAN
- PHILIPPINES
- SOUTH AMERICA
- RUSSIA
- CHINA
- KRYGYSTAN
- GEORGIA
- UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN

REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August

Medical Council of India (MCI) Screening Exam
( FMGE ) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI, IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900, 8415930785, 8794249895

HL-B/4732/7/7-5/8

**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH COACHING**

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/4774/4/8-4/9

**No. 5/16/2018-MSRRDA/E-Tender/ Ph-X(2014-15)/4PKG/251**

**RURAL ENGINEERING DEPARTMENT**
**MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA),**

4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC: Imphal, Manipur
National Competitive Bidding Through e-Tendering
Dated, Imphal the 4th August, 2018

The Chief Engineer, MSRRDA invites item rate tender through e-Procurement from eligible contractors for 4 (four) works/packages of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-X (2014-15) in Manipur State.

The procurement officer is Chief Engineer, MSRRDA, Imphal; the tender details and documents shall be available online from 10-08-2018 to 25-08-2018 at https://pmgsytenders.gov.in / https://pmgsytendersman.gov.in.

Bid submission start date : 14-08-2018
Bid submission end date : 25-08-2018
Pre-Bid meeting : 14-08-2018 (Time: 11:00 A.M.), Venue : Conference Hall of RED/MSRRDA).
Date of opening of Technical Bid : 27-08-2018 (–do–)

Sd/- Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer, MSRRDA

HL-B/4778/5

সেন্ট্রল বৈংক ऑफ इंडिया
Central Bank of India
1911 से आपके लिए "सेंट्रल" "CENTRAL" TO YOU SINCE 1911

**ইম্ফাল ব্রাঞ্চ, মণিপুর**

**পোজেসন নোটিশ**

সিক্যুরিটাইজেন এন্দ রিকন্সত্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ ইনফোর্মেসন ওফ সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩(১২) গা লোয়ননা সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুল, ২০০২ গী রুলস ৯ গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং এক্সরসাইজ তৌরদুনা মখাদা সাইন তৌরিবা সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ওথোরাইজ ওফিসরনা এপ্রিল ১৩, ২০১৮ দা দিমান্দ নোটিশ ইস্যু তৌদুনা বোরোৱর শ্রী অথোকপম কিশোর সিংহ অমসুং গরেন্টরদা নোটিশ অদুদা পল্লিবা লুপা ৪৩,৬৭,৩৬৮/- (লুপা লাখ নিফুহুমদোই লিশিং হুস্ফুতরেৎ চহুম হুস্ফুনিপান খক)কী শেনফম অসি নোটিশ অসি ফংবা তারিখতগী পারগা নুমীৎ ৬০ (নুমীৎ হুস্ফু) নিগী মনুংদা শিংদোক্লবা খঙহনখ্রে।

মখাদা পল্লিবা বোরোৱর/গরেন্টর মোর্টগেজরনা শেনফম অসি শিংবা ঙমখিদবগা লোয়ননা বোরোৱর/গরেন্টর অমসুং মীয়ামদা খঙহঞ্জরি মদুদি, মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪১) অমসুং মথক্তা পল্লিবা রুলসকী রুলস ৯ গী মখাদা পীরিবা পৱারশিং শীজিন্নদুনা ওগষ্ট ৩, ২০১৮ দা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসি ওথোরাইজ ওফিসরনা লৌশিনখ্রে।

প্রোপর্টি অসিবু দিল তৌনদনবা অমসুং প্রোপর্টি অসিগা মরী লৈনবা দিলিং খুদিংমক ওগষ্ট ৩,২০১৮ ফাওবগী ওইনা সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চনা লুপা ৪৫,৬৮,৭৩৩/- (লুপা লাখ নিফুমঙা লিশিং হুস্ফুনিপান চাতরেৎ কুন্থ্রাহুমদোই খক) অমসুং মসিগী ইন্টরেষ্ট চার্জ তৌগনি হায়না মরুওইনা বোরোৱর/গরেন্টরদা অমসুং মীয়ামদসু খঙহঞ্জরি।

সেক্যুর্দ এসেটশিং অসিবু অমুক হন্দোকপগী মতমগী মতাংদা মথক্কী এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ গী সব-সেক্সন (৮) গী প্রোভিজনশিংদা বোরোৱর/গরেন্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

**ইম্মুভেবল প্রোপর্টিগী মওং মতৌ**

পাট্টা নং ২৭/১৭৪/(অরিবা)/১৮৩/১৮০২/(এ)/(অনৌবা) ওইবা সী.এস. দাগ নং ১০৫১/১৮৫১/(এ) না কোনবা একর ০.০৫ পাক চাউবা ৱাংখৈ নোংপোক রেভিন্যু ভিলেজ নং ২৭, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মখাগীশিং অসিনা কোইশিনবা য়ুম ইংখোল :-

| | | |
|---|---|---|
| অৱাংদা | : | ফাঞ্জৌবম নবকুমার সিংহগী য়ুম ইংখোলনা |
| খাদা | : | ৱাই সনাজাওবা সিংহগী য়ুম ইংখোলনা |
| নোংপোক্তা | : | অয়াং পল্লি লম্বীনা; অমসুং |
| নোংচুপতা | : | (এল) তেলেম পাক্কা সিংহগী য়ুম ইংখোলনা |

তারিখ : ৩-৮-২০১৮
মফম : ইম্ফাল

ওঠোরাইজ ওফিসর
সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া

HL-P/5178/5

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

***Ref:- Mut. Case No. 735/SDC/IW-L/2018***

1. Ningthoujam Nongyai Singh S/o (L) Lapchou Singh of Phayeng Sabal Leikai.
2. –Do– Chandra Singh S/o (L) –do– of –Do–.
3. –Do– Ajit Singh S/o (L) –do– of –Do–.

*-Petitioners*

*-Vs-*

Late Ningthoujam (O) Amu Devi W/o (L) Lapchou Singh of Phayeng Sabal Leikai.

*-O.P. Party*

**/NOTICE**

The 3/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নিংথৌজম ওংবী অমু দেবী পতি মৃ: লাপচৌ সিংহ, সাং ফয়েং সাবল লৈকাইগী মীংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ১১৯, দাগ নং ১০৮৫ কী এরিয়া ২.৩৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector, IW: Lamsang

HL-P/5180/5